# লৈত-লায়রবশিংদা খুদোংচাবা পীনবগীদমক ডা. প্রতিতা চেরিটেবল দাইগ্নোষ্টিক সেন্টর হাংদোকখ্রে



ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস): ডা. প্রটিতা চেরিটেবল ট্রষ্ট অমদি দাইমন্দ রেদিও খোংজোমনা অঙাংশিং অমদি লৈত-লায়রবশিংদা অহেনবা খুদোংচাবা পীনবগী পান্দমদা ট্রষ্ট অসিগী খোংজোমদা লৈবা ওফিস কমপ্লেক্সতা ঙসি ডা. প্রটিতা চেরিটেবল দাইগ্নোষ্টিক সেন্টর অমা হাংদোকখ্রে।

ডা. প্রটিতা চেরিটেবল দাইগ্নোষ্টিক সেন্টর হাংদোকপগী থৌরম অদুদা রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী দিরেক্টর ওইরম্বদগী পোথারবা ডা. এস সেখরজিৎনা অথোইবা মীথুং, ডা. প্রটিতা চেরিটেবল ট্রষ্ট অমদি দাইমন্দ রেদিও খোংজোমগী চ্যেরমেন ওইরিবা হান্না মণিপুর লৈঙাক্তা মিনিষ্টর ওইরম্বা মোইরাংথেম হেমন্তনা থৌরম মপু, থবক্তগী পোথারবা হেদ মাষ্টর এস ঐচ গোপেশ্বর অমসুং দাইমন্দ রেদিও খোংজোমগী প্রোগ্রাম এগজিক্যুটিভ জেমস হৈগ্রুজমনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি সেন্টর হাংদোকপগী থৌরম অদুগী অথোইবা মীথুং ওইখিবা রিমসকী হান্না দিরেক্টর ওইরম্বগী পোথারবা ডা. এস সেখরজিৎনা রিবন কক্তুনা সেন্টর হাংদোল্লবা মতুং অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা মহাক্না হায়, ঙসি হাংদোল্লিবা ডা. প্রটিতা চেরিটেবল দাইগ্নোষ্টিক সেন্টর অসি য়াম্না ফবা, মীয়ামগী থৌগল ফজনা তৌবা ঙম্বা অমা ওইরসনু। দাইগ্নোষ্টিক সেন্টর অমা লিংবা মতমদা কম্পোনেন্ট লোয়নমক শুনা য়াওবা অসি অতাঙবনি। অয়াম্বনা কোন্না তপ্না তপ্না হাপকৎনরকপা ঙাক্তনি। ঙসি হাংদোল্লিবা ডা. প্রটিতা চেরিটেবল দাইগ্নোষ্টিক সেন্টর অসিদদি এক্সরে, ঈ সী জি, অল্ট্রা সাউন্দ অমদি লেবোরেটরিগী ফেসিলিটিশিং য়াম্না ফজনা লৈরে। মসিগীসু মথক্তা ফিজিওথেরাপি অমসু য়াওরি। অসিগুম্বা দাইগ্নোষ্টিক সেন্টর অসিনা মায়কৈ অসোমগী মীয়ামদা কান্নবা কয়া শোয়দনা পীবা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুগী মখা তারকপা ওইনা ডা. প্রটিতা চেরিটেবল ট্রষ্টকী চ্যেরমেনসু ওইরিবা হান্না মণিপুর লৈঙাক্তা মিনিষ্টরসু ওইরম্লবা মোইরাংথেম হেমন্তনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিগী অৱা-অনা তারবা লৈত-লায়রবা মীওইশিংদা সেন্টর অসিনা খজিক্তং ওইরবসু মতেং পাংবা ঙম্মবা হায়দুনা দাইগ্নোষ্টিক সেন্টর অসি হাংদোকপনি। ডা. প্রটিতা চেরিটেবল ট্রষ্টনা তোঙান তোঙানবা মীওই লিশিং ৭ লোমদা ট্রষ্ট অসিগী হেল্থ কার্দ পীখ্রে। ট্রষ্ট অসিগী হেল্থ কার্দ পায়রবা মীওইশিংনা দাইগ্নোষ্টিক সেন্টর অসিদা লায়েংবা লাকপা মতমদা খুদোংচাবা ময়াম অমা ফংলগনি। ট্রষ্ট অসি নন-প্রোফিট মেকিং বোদি অমনি। মরম অদুনা চেরিটেবল ট্রষ্ট অসি শেন্দোংগী লৈবা নত্তে। দাইগ্নোষ্টিক সেন্টর অসিদা টেষ্ট তৌবখক্তা নত্তনা থাংজ অমসুং নোংমাইজিং নুমীৎ খূদিংগী শরুক ়াইরবা ডোক্তরশিং য়াওনা ও পি দিগী খুদোংচাবসু মীয়ামদা ফংহনগনি হায়রদুনা মায়কৈ অসোমগী মতিক চাবা অফবা শীংথানিংঙাই ওইবা হোস্পিটাল অমা ওইনবসু য়াম্না কন্না হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ডা. প্রটিতা চেরিটেবল ট্রষ্টকী মীওইশিং অমসুং মায়কৈ অসোমগী য়াল্লবা মীয়ামসু শরুক য়াখি।

# ককচিংগী মফম কয়াদা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস): মালেমগী মফম খূদিংদা জুন ৫বু ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে হায়না পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা শরুক য়াবা ওইনা মহৌশা অমসুং মীওইবা হায়বা থীমদা খা মণিপুর কোলেজ ককচিং, সাহিত্য সেবা সমিতি, মচা চনু, লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর অমসুং সাহিত্য থৌপাংলূপ (শাথৌলূপ)না পুন্না খুৎশম্নদুনা নুমীৎ অসিদা ককচিংগী মফম কয়াদা পাক শন্না ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না সাহিত্য থৌপাংলূপকী সেক্রেটরি এম উত্তমকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম হৌদোকপা ওইনা খা মণিপুর কোলেজগী বোটানিকেল গার্দেন, নুঙ্গাই শুরুং মনাক্তা লৈবা লাইফম পানা লিক্লাই লোয়শঙ, ককচিং ৱাইরি পঞ্জাও, পল্লুম মনিং চীংনচিংবা মফম কয়াদা মখল কয়াগী উ চারা পাম্বীশিংসু থাগনি। উ থাবগী থৌরম অসিদা ম্যান্মারগী মন্দলেদগী লাকপা ফুরাইলাৎপম চন্দ্রকুমার শর্ম্মা, শ্রিদেবী, সোইবম সাইমোন অমসুং য়াঙ্গোনদগী লাকপা ককচিংতাবম তুলশিসু শরুক য়াগনি।

উথাবগী থৌরম লোইরবা মতুংদা অঙান চীং ইকো পার্কতা মখল মখা কয়াগী থৌরম পাঙথোক্কনি। মীয়াম্না শকখঙনরবা ইনভাইরনমেন্টেলিষ্ট সুরজিৎ ক্ষেত্রিময়ুমদা শাথৌলূপনা পীবা নিঙোম্বম ফৈরাবা এৱার্দ খুৎশিন্নগনি। এৱার্দ অসি মন্দলেদগী লাকপা ফুরাইলাৎপম চন্দ্রকুমারনা চীফ গেষ্ট ওইবগা লোয়ননা সুরজিৎতা খুৎশিন্নগনি। লোয়ননা চন্দ্রকুমার অমসুং মচানুপা স্বাষ্টিক কুমারনা মোইবুং খোংবগী অখন্নবা থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি। মহৌশা অমসুং মীওইবা হায়বা হীরমসিদা অখন্নবা সিম্পোজিয়ম অমসুং খা মণিপুর কোলেজগী প্রিন্সিপাল প্রোফেসর যুম্নাম সুনিতিবালানা মোদরেটর ওইদুনা পাঙথোক্কনি। হায়রিবা সিম্পোজিয়ম অসিদা সোসল এন্দ কলচরেল এক্টিভিষ্ট থোকচোম থোইবনা মহৌশাগা মীওইবগা লৈনবা মচৎ অমদি ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী সিনিয়র লেকচরর ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনিনা অরিবা মণিপুরী সাহিত্যদা মহৌশা অমসুং রামজস কোলেজ দেল্লীদা এসোসিয়েট প্রোফেসর ওইরিবা ডা. ময়াংলম্বম ওজিৎকুমারনা হৌজিক ওইরল্লিবা মালেমগী অঈং-অশাগী ফীভম হায়বসিদা ৱা ঙাংগনি। থৌরমসিগী মনুং চন্না ইনভাইরনমেন্টতা যুম্ফম ওইবা মশা-মশানা ইজবা অইবা কয়াগী শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

# নোর্থ ইষ্টকী শক্লাইরবা মীওইশিংদা এৱার্দ পীগদৌরি

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস): নোর্থ ইষ্ট বাইওগ্রাফি ফোরম হেদ ক্বার্টর ইম্ফাল ইষ্ট মণিপুরনা চহী খূদিংগী লেপ্তুনা চত্থরকপা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা লৈরিবা সিটিজনশিংদা তোঙান তোঙানবা শিনফমশিংদগী থোইদোক হেন্দোকপা অমসুং শীংথানিংঙাই ওইরবা থবক তৌবা মীওইশিংদগী খনগৎলগ পীবা রিজনল এৱার্দ, নেসনল এৱার্দ অমসুং ইন্টরনেসনল এৱার্দ (শেল য়াওবা অমসুং য়াওদবা)শিং হৌখিবা চহীদা মালেমগী ওইবা তমথিরবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না মরম ওইরগা ইভেন্ট অনীরক পাঙথোকপা ঙমদনা লৈখিবা অদু চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা ইম্ফালদা ১০রকশুবা থৌরম ওইনা পাক্রেকপা সোসাইটি (পান্থোইবী কলচরেল রিছার্স সেন্টর ফোর পর্ফোর্মিং আর্টস) মণিপুরগা পুন্না খুৎশম্নরগা পাঙথোল্লগনি হায়না নোর্থ ইষ্ট বাইওগ্রাফি ফোরমগী ফাউন্দর চ্যেরমেন কেবি ইঙারেন্দ্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

বাইওগ্রাফি ফোরমনা পাক্রেকপা সোসাইটিগা পুল্লগা পীগদৌরিবা এৱার্দশিং অদুগী লমশিংদি সোসল ৱার্ক, হেল্থ ক্যের সর্ভিস, আর্ট এন্দ কলচর (পর্ফোর্মিং আর্টস), গেমস এন্দ স্পোর্টস, হ্যুমেনিটি সর্ভিস, এগ্রিকলচর, হোর্টিকলচর, সেরিকলচর, হেন্দলুম এন্দ হেন্দক্রাফ্ট, সোসল মীদিয়া, লিটরেচর, টুরিজম, ওন্ট্রপ্রেন্যুর, অল্টর্নেটিভ মেদিসিন অমসুং পেন্টিংনচিংবনি। হায়রিবা হীরমশিং অসিদা য়ামদ্রবদা চহী ১০গী মতমদা হায়রিবা শিনফমশিং অসিদা থবক তৌরকপা মীওইশিংনা জুলাই ২৫ ফাওবগী মনুংদা মশাগী বাইওদেটা য়াওনা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং থাজিল্লকপগা লোয়ননা কন্ট্রেক্ট নম্বর ৯৭৭৪১৭৮৯৮৭ অমসুং ৮১৩২০৮২২৬১ দগী অকুপ্পা মরোলশিং খঙবীবা য়াগনি। পাঙথোক্কদৌরিবা ১০রকশুবা বাইওগ্রাফি ফোরমগী এৱার্দ লান্থোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা এৱার্দ দোনরশিং অমসুং লাইফ মেম্বর পেত্রোন মেম্বরশিংসু ঈকায়খুম্নবা উৎকনি হায়রি।

# কে ভি কে চুড়াচান্দপুরগী ট্রেনিং হোলদা নুমীৎ নীনিগী ওইবা এক্সটেন্সন ফঙ্কসনরিজ ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস): আই সী এ আর-কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র চুড়াচান্দপুর অমদি এন ঈ ঐচ রিজন আই সী এ আর রিছার্স কমপ্লেক্স মণিপুর সেন্টরগা পুন্না খুৎশম্নদুনা নুমীৎ নীনিগী ওইবা এক্সটেন্সন ফঙ্কসনরিজ ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না আই সী এ আর-কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র চুড়াচান্দপুরগী হেদ ইন-চার্জ এস রোমানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ভেজিটেটিভ প্রোপেগেসন টেক্নিক ওফ সাইট্রস (ওরেঞ্জ) হায়বা টোপিক্তা পাঙথোকখিবা নুমীৎ নীনিগী এক্সটেন্সন ফঙ্কসনরিজ প্রোগ্রাম অদু আই সী এ আর-আর সীগী জোইন্ট দিরেক্টর ডা. আই মেঘচন্দ্রগী লুচিং মখাদা পাঙথোকখিবনি। নুমীৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা প্রোপেগেসন টেক্নিক্স ওফ ফ্রুইটস ক্রোপকী মতাংদা লেটেষ্ট এদভান্সমেন্টকী কান্নবশিং ফংখি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা মীওই ২৩ লোম্না শরুক য়াখি। লোয়ননা নুমীৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী দিষ্ট্রিক্ট ওফিসর, ক্লোভর ওর্গানিক প্রাইভেট লিমিটেদকী প্রোজেক্ট মেনেজর এ টি এম এ-চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

পাঙথোকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুগী টেক্নিকেল সেসনদা এস এম এস (হোর্টিকলচর) পি ঐচ চন্দ্রমনিনা ভেজিটেটিভ প্রোপেগেসন টেক্নিক্স ওফ সাইটস এন্দ অদর্স হোর্টিকলচরেল ক্রোপস হায়বা টোপিক্তা শন্দাক্না তাকখিবগা লোয়ননা মসিনা পীরিবা কান্নবা অমদি অসিগুম্বা থবক অসি পাঙথোকপদা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাংগী মতাংদসু মহাক্না ফোঙদোকখি। লোয়ননা মহাক্না মখা তারদুনা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা কম্মর্সিএল প্রোপেগেসন মেথদকী মতাংদসু তাকপী তম্বীখি। থৌরমদুগী মনুং চন্না কে ভি কেগী ফার্মদা পোমগ্রেনেট অমদি রোজকী দেমোন্সত্রেসনসু তৌখি হায়রি।

# নুমীৎ মঙানি চুপ্না চত্থগদবা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস): বিবাটসু ফাউন্দেসন মণিপুরনা ৱাইল্ডলাইফ এন্দ বাইওদাইভর্সিটি কঞ্জার্ভেসন কম্মিটি (দব্লিয়ু বি সী সী) মণিপুরগা খুৎশম্নদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা উ চারা থাবা য়াওনা জুন ৫ ফাওবা চত্থগদবা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে ২০২২গী থৌরম ঙসিদগী ৱাংজিং কান্টিন লম্পাক্তা মহৈরোয়শিংগী লাই য়েকপা চাংদম্নবা পাঙথোক্তুনা হৌদোকখ্রে।

'ওনলি ৱান আর্থ' হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী ঙসি হৌদোকপা নুমীৎতা চান্দেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী এসিষ্টেন্ট কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট (এ সী এফ) নাওরেম মুনাল মৈতৈ, এম এফ এস য়াঙৌপোপকপী লোকচাও ৱাইল্ডলাইফ সেঙ্কচুরি মোরেগী রেঞ্জ ওফিসর এম বিরেন, পল্লেল ফোরেষ্ট বিট ওফিসকী বিট ওফিসর (বি ও) এম দি সল্লাওদ্দিন, কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার, আই আর ঈ গ্রুপ ওফ ইন্সটিট্যুসনগী প্রিন্সিপাল নারেংবম রজিভকুমার অমসুং ইনভাইরনমেন্ট এক্টিভিষ্ট মাইবম ওংবী মেম্মানা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি অহৌবা নুমীৎতা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা লাই য়েকপা চাংদম্নখি অমদি ৱাংজিং কান্টিন লম্পাক্কী অকোয়বদা উ চারা কয়ামরুমসু থাখি। লাই য়েকপা চাংদম্নবা অদুদা মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোয় ১০ খনগৎতুনা মনা-মথুমশিংসু য়েন্থোকখি।

অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা চান্দেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী এ সী এফ নাওরেম মুনালনা ফোঙদোকখিবদা, ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে অসি অহানবা পাঙথোকপদা থমখিবা থীম অদুমক হন্দক্কী নুমীৎ অসিদা চহী ৫০ রোমগী মতুংদা থল্লকপসি য়াম্না মরুওইবা মরম অমনি। মরম অদুনা ঐখোয়না ইনভাইরনমেন্ট ঙাক্তুনা থম্বা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই। চহী ২০গী মমাঙদা ওইরম্ব ফীভম, হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি য়েংলুরগদি চহী ২০গী মতুংদদি মহৌশাগী ফীভম অসি য়াম্না শাথিবা ফীভম অমা ওইরক্লগনি। সনা লৈবাক মণিপুরনি হায়নরিবা অসি হিংবদা অৱাবা অমা ওইরক্কনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মসি পুম্নমক অসি ঐখোয়না অতৎ-অখম লৈতনা চীং কোকথোকপা অসিনা অচৌবা মরম অমনি। মরম অদুনা ইনভাইরনমেন্ট কনবা হায়বসি ঐখোয় মীপুম খূদিংমক্কী তৌফদ্রবা ইথৌ অমনি। চীংমী-তম্মী ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নদুনা ইনভাইরনমেন্ট কলহৌগদবনি। গিওগ্রাফিকেল্লি চাদা ১০ খক্তং ওইবা তম্পাক্কী মফম অসিদা ঐখোয়না কল্লগসু চাদা ৯০ ওইরিবা চীংগী এরিয়াশিং অসিদা অতৎ অখম লৈতনা চীং কোকথোকপা, তেমথোকপা তৌরগদি মণিপুর অসি ইনভাইরনমেন্ট অসুক্কী মতিক মাঙলকখিগনি। মসিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা লায়না-তীন্না কয়ানা নারকপা য়াবগী অকিবসু লৈতবা নত্তে। মণিপুরগী অয়াম্বা উমংগী শরুকশিং কা হেন্না কোকথোকখিবনা মরম ওইদুনা চহী খরগী মমাঙদা মতম নাইনা নোংচুরম্বা অদুসু হৌজিক্তি চাং নাইনা চুবা হায়বদু ওইদ্রে। লোয়ননা শাবগী চাংসু নোংম-নোংমগী অসুমক হেনগৎলক্লি। মহৌশাগী খলবু কায়দনবগীদমক ঐখোয় পুম্নমক্না উমং কন্নবা হোৎনমিন্নবা য়াম্নমক মথৌ তারে হায়নসু ফোঙদোকখি।

বিবাটসু ফাউন্দেসন মণিপুরগী সেক্রেটরি কে এস ঐচ প্রমদাসনা ফোঙদোকখিবদা, জুন ৫ ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী নুমীৎ ফাওবা চত্থগদবা থৌরম অসিদা মহৈরোয়শিংদা ইনভাইরনমেন্ট কনবগী মতাংদা এৱ্যের্নেস পীবা, ক্যুইজ কম্পিটিসন পাঙথোকপা অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা উ চারা কয়ামরুম থাবনা মপুং ওইবা থৌরম ওইগনি হায়রদুনা ঙসিগী হোংলক্লিবা অঈং-অশাগী খল অসিবু ঐখোয় ইশা ইশানা ঙাক্লবা হোৎনহৌদ্রবদি তুংদা করি ওইরক্কদগে হায়বা তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরে। ঐখোয় অমত্তা ওইনা ঙসিদগী ইনভাইরনমেন্টবু য়োকখৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

# কাংমোং মাইস্নাম লৈকায়দা য়ু য়োনবা অমসুং থকপা খুদক্তগী থিংলে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস): কাংমোং মাইস্নাম লৈকায়দা য়ু য়োনবা অমসুং থকপা খুদক্তগী থিংলে হায়না নুপী চাউখৎ থৌরাং লূপ (এন সী টি এল) কাংমোংগী সেক্রেটরি এম শখিনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, হৌখিবা মে ৩০দা কাংমোং মাইস্নাম লৈকায় নম্বর ফোরগী কৈগী হোলদা লৈকায়গী নিশাবন্দ মৈরা পায়বী অমদি লৈকায় কম্মিটিগী ওইবা অপূনবা মীফম অমা ফমদুনা লৈকায় অসিদা য়ু য়োনবা অমসুং থকপা খুদক্তগী থিংনবগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি। লৈকায় খুল অসিদা য়ু ক্বালিটি ফৎতবা কয়া লিশাং শিংনা থোল্লকপনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখ্রে। অদুদসু নত্তনা য়ুমথোঙ কয়াগী ইকনমিগী ফীভম ফৎচিল্লত্তবগা লোয়ননা খৎন-চৈনবা ৱাথোক-লান্থোক কয়া থোক্লে। মরম অদুনা লৈকায় অসিদা য়ু য়োনবা অমসুং থকপা থিংনবগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, লৈঙাক্কী য়ু থিংনবা লৈরিবা লোয়শঙশিং অমদি সিক্যুরিটিশিংনা য়োনবা অমসুং থকপা থিংবগী মহুৎতা নীংথিনা য়েংশিনবসু তৌবীদ্রে। মীয়াম্নসু থাজবগী ৱাংমদা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংবু লৈহল্লিবা অসি চুমথোকপীনবা মীফম অদুদা দিমান্দ তৌখি। নুপী চাউখৎ থৌরাং লূপ, নিশাবন্দ মৈরা পায়বী অমদি লৈকায় কম্মিটিগী ৱারেপশিং অসিবু ঈকায়খুম্নদবা অমদি ইন্দবা য়াওরবদি মীয়ামগী চৈরাক পীনবা অমসুং ফাইন তৌনবা য়োল্লিবা অমসুং থক্লিবা মীওইশিংদা ৱার্নিং তৌখি। লোয়ননা য়ু য়োনবা অমসুং থকপা থিংনবগী লৌখিবা ৱারেপশিং অদু মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি লৈরক-কোন্সাং কয়াদা নোটিশশিং থেৎতোকখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লৌশিং পুক্কে

# মতম শাংনা ফমদুনা থবক

## শুবশিংনা ঙাইহাক্তং হৌগৎলগা লেঙ-ওৎতুনা শান্নবা ফৈ



মীওইবনা নোংমগী মনুংদা মতম কয়াম কুইনা ফমজিন্দুনা লৈবগে হায়বদু ইশা-ইশানা য়েংশিনবা মতম ওইরে। মরমদি কুইনা ফল্লিবমখৈ হকশেলদা অকায়বা থোকহল্লকপগী চাং ৱাংই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাস সাউথৱেষ্টর্ন মেদিকেল সেন্টরদা এসোসিয়েট প্রোফেসার ওইবা নমিট খাননা হায়খি, মীওইবনা অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈরবদি হার্টকী আর্টরিশিংদা কেলসিয়ম মপং-মপং পৈশিল্লকই। মদুনা মরম ওইরদুনা হার্ট এটেক তৌরকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎহল্লি।

জর্নেল ওফ অমেরিকান কোলেজ ওফ কার্দিওলোজিদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টতা অমিট খাননা অমসুং অতৈ রিছার্চরশিংনা হায়খি, মীওইবনা নোংমদা কয়াম কুইনা ফমজিন্দুনা লৈবগে হায়বদুগী মতুংইন্না হার্টতা কয়া য়াম্না অমাঙ-অতা থোরকপা য়াবগী রিস্ক মায়োক্লবগে হায়বদু খঙবা ঙম্মী। নোংমদা পুং ১ হেন্না ফমজিন্দুনা লৈবা মতমদা কোরোনরি অর্টরি কেলসিফিকেসনগী রিস্ক চাদা ১২ হেনগৎলকই। কোরোনরি অর্টরি কেলসিফিকেসন হায়বসি হার্টকী অর্টরিশিংদা কেলসিয়ম পৈশিল্লকপগী থৌওংবুনি। নোংমগী মনুংদা শুপ্নগী পুং ১/২ দং ওইরবসু ফম্বগী মতম ককথবা তারবদি হার্টতা য়াম্না চাউনা কান্নবা পী। মরম অদুনা নুমীৎ চুপ্পা ফম্লগা থবক তৌবগী মথৌ তাবা মীওইশিংনা মরক্তা ঙাইহাক ঙাইহাক হৌগৎলগা খোঙকাপ অমা অনী চৎপা কান্নগনি হায়রি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাস সাউথৱেষ্টর্ন মেদিকেল সেন্টরগী রিছার্চরশিংনা মীওই ২০০০ গী পুন্সি মহিংগা মরী লৈননা ষ্টদি অমা চৎখি। হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপা মীওইশিংদা কোরোনর অর্টরি কেলসিয়মগী রিস্ক ৱাংই হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙখি।

অমরোমদা জর্নেল ওফ অমেরিকান এসোসিএসন (জে এ এম এ) গী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মতম শাংনা ফমজিন্দুনা লৈরবদি ওবেসিটি, মেটাবোলিক সিন্দ্রোম, হায় ব্লদ প্রেসর, হায় ব্লদ সুগর, পুক নোয়বা, কোলেষ্টরোলগী চাং ৱাংখৎহনবা, হার্ট দিজিজ অমসুং কেন্সরগী রিস্ক ৱাংখৎহল্লি। অয়াম্বা মতমদা ফমদুনতা লৈবগা লোয়ননা মতম শাংনা টি ভি য়েংবা মীওইশিং মরম অমা নৎত্রগা অমদগী হেন্না ঙনখৎনা শিবা য়াই। থবাক নাবা (এঞ্জিনা) নৎত্রগা হার্ট এটেক য়াওনা অতৈ অতোপ্পা কার্দিওভাস্কুলর দিজিজগী রিস্ক হেনগৎহল্লি।

টি ভি য়েংবগী ৱা ঙাক নৎতনা অয়াম্বা মতমদা ফমদুনতা লৈবা মীওইশিং খুদোংথিনিংঙাই ওই হায়না পল্লদুনা রিপোর্ট অদুনা হায়খি, মতম শাংনা ফম্লগা থবক তৌবা নৎত্রগনা গাড়ী থৌবা মীওইশিংসু চপ মান্নবা রিস্ক মায়োক্লে। অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈরবদি চয়োল অমগী মনুংদা ঙাইহাক ঙাইহাক হকচাং শাজেল তৌরবসু রিস্ক হন্থহনবা ঙমদে।

খুদোংথিবা অসিদগী ঙাকথোক্লবগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংদি য়ারিবমখৈ হকচাং লেঙ ওৎনবা হোৎনবনি। য়ারিবমখৈ ফমজিন্দুনা লৈবগী মতম হন্থহন্নবা হোৎনগদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা ঙাইহাক ঙাইহাক লেপখৎকদবনি অমসুং ঙল্লবদি খোঙকাপ অমা অনী চৎকদবনি। ফোনদা ৱারী শানবা তারবসু চৎন-চৎনা শাগদবনি। নুমীৎ চুপ্পা ফম্লগা থবক শুবা মীওই ওইরবদি খুদোংচাবা তাঞ্জা হেক ফংবগা ঙাইহাক্তং ওইরবসু হৌগৎতুনা খোঙকাপ অমা অনী চৎকদবনি।

হকচাং লেঙ ওৎপগী কান্নবদি মমল নাইদে। ইশানদি খঙজদবা য়াই অদুবু নোংমগী ঙাইহাক্তং ওইরবসু হকচাং লেঙ ওৎপা মতমদা কেলোরি বর্ন তৌখিদুনা হকচাংগী অরূম্বা হন্থরকই অমসুং পাঙ্গল কনখৎলকই। করিমত্তা তৌদ্রবসু চুম্না লেপ্পগা লৈবখক্তদা হকচাংগী মশল খরদি অদুম্মক শীজিন্নে। মদুনা মরম ওইরদুনা হকচাং মনুংদা লৈবা ফেট অমসুং সুগর ব্রেকদাওন তৌহল্লি। ফমজিন্দুনা লৈবা তারবদি হায়রিবা থবক থৌরমশিং অসি চপ লেপখিদুনা হকশেলদা খুদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। মরম অদুনা ঙল্লিবমখৈ ফম্বগী মতম হন্থহনগদবনি অমসুং অয়াম্বা মতমদা হকচাং লেঙ ওৎপগী থবক তৌগদবনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা যুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২।০৬।২০২২ ইং, শগোলশেল;
ইঙাগী ৩ পানবা।

মেষ: মীকোক থোংবা, অরুবা ৱারেপ লৌবসু য়াবা, মীয়াম্না চানবীবা অমদি নচাক নরল চাওখৎপা নুমিৎনি। চিংনবা, হুরানবনা তাথিবদি লৈ। মীতোপ হেন্না থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃষ: ইমুং-মনুংগী মপানদগী অমদি অকিবা লৈতনা থৌনা ফুদোকপনা নীংবা থুংবা, ওইজবা ফংগদবা নুমিৎনি। মরুপ পংথা থাজবা, নাইতোম ৱা তুপ্পা য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না আশা চাওখিনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

মিথুন: য়েৎনবা মরম নত্তনা হরাওবা নুংঙাইবা, মীংচৎ ফংবা, থৌনা লৈনা থবক পাঙবা অমদি য়েক্লববু ঙমজবা নুমিৎনি। লাংতক্লগনু-অফা অপুনদৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কর্কট: লান্দবনা পাম্বৈ ওইগদবা নুমিৎনি। য়েৎনবা, মীৱা থাজবা অমদি হোয়া ফবনা মাঙবতা নংগনি। অদুবু নথক থোংবনা হায়বা-তাকপা লৌরদি কান্নজরনি।
লৈশা পাখংশিংগী- খন্থরগা ঙাংউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

সিংহ: অৱাবা খরা থেংনরসু মীয়াম্না য়াবা, থবক পাঙবা, অফবা মফম ফংবা নুমিৎনি। শেল-থুমগী লমদা চাওনা কান্নগনি, মীনা লাকচবা ঙমলোই , হকচাং নুংঙাইরনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কন্যা: অশাওবা লোয়নবা, পোরম শীন-লাঙবা হৈতবা অমদি নক্লবগা মরী ফত্তবা নুমিৎনি। অদুবু আশা চাওবগী কান্নবা, খন্থরগা পাঙবা থবক মায় পাকচবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

তুলা: অঙম্বনা চানবীবা, পোরম শীন-লাঙবা হৈবা, ঙাংবদা রাশি য়াওবা অমদি ঈকায়খুম্নবা ফংজবা নুমিৎনি। অদুবু লৌশিং ফুদোকপা ৱাই-লাইগুরুগী ৱা তাউ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা থাগৎপী।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

বৃশ্চিক: নীংবা থুংবা ৱাই, মীয়ামগা মরী ফবা ৱাৎলি- পুকচেল চাওথোকউ। লান্দবনা মায় পাকচৌ হায়বদি লৈ। লমদগী কান্নবা ফংগনি, অনৌবা মরুপ লাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈরি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

ধনু: নীংবা থুংগনি, অনৌবা আশা লাক্কনি, মীচঙ খোম্বা য়াগনি, লল্লোন ইতিক কান্নগনি। অদুবু নাপল, অশাওবা অমদি হন্থবা লোয়নবনা মাঙবা য়াবদি লৈরি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

মকর: মীচঙ ৱাৎতবা, ইমুং-মনুং ৱাখল মান্নবা, থৌনা লৈবনা অফবা মফম কনবা ঙমজবা নুমিৎনি। য়েক্লবনা হুন্দুনা ঙাংবদি লৈ, য়েৎনবা পামগনু-লন মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: লৌশিং অমদি লান্দবনা লন তানশিনবা ঙমগনি। অফবা লৌশিংসু ফংগনি, পাউ নুংঙাইবা তাজবা অমদি হরাওবা নুমিৎনি। য়েৎনবা খরদি লৈগনি-খাঙবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম খরা ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন: মীয়ামগী মতেংনা নচাক নরল চাওখৎপা ফংজৌ হায়বা নুমিৎনি। নাইতোম অরুবা থবক পাঙদবা ফৈ, মহু চাওবনা য়েংশিল্লি-অরোন অথুপ ঙাংথোক্কনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা য়াম্না চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।